

ইংলেন্দ অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী এসেস টেষ্টকী ৩শুবা মেটচ হৌখ্রে

অষ্ট্রেলিয়ানা অহান্বা ইনিংস্তা রন ১৩৬খক লৌখি

ইদবাস্তন বিরমিঙ্ঘাম ,জুলাই ২৯ ঃ ইংলেন্দ অমদি অষ্ট্রেলিয়াগী এসেস টেষ্টকী ৩শুবা মেটচ ঙসিদগী ইদবাস্তন বিরমিঙ্ঘামদা হৌখিবগা লোয়নননা অষ্ট্রেলিয়াগী বেষ্ট মেন খৃষ্ট রোজরসনা হাল্ফ সেনচুরি য়ৈরবসু অপুন্বগী রনদি শুপ্নতগী রন ১৩৬ খক লৌখি।

লৈবাক অনি অসিনা সেরিজ অসিগী ওইনা মেটচ অমমম মায় পাকপা ঙম্নখ্রে।

অষ্ট্রেলিয়ানা টোস ঙম্লগা বেট্টিং খন্দুনা ৩শুবা টেষ্ট মেটচ শান্নবা হৌখি। অহান্বা ইনিংস্তা অষ্ট্রেলিয়ানা ওভর ৩৬.৪ দা ওল আউট ওইরগা রন ১৩৬ লৌখ্রে। ইংলেন্দ অহান্বা ইনিংস্কী বেট্টিং পায়বা হৌখিবগা লোয়নননা ওভর ৭.৩ দা ৱিকেট ১ আউট ওইরগা রন ১৯ লৌরগা মখাতানা শান্নখি।

অষ্ট্রেলিয়াগী ওপন্নর ওইনা থোক্লখিবা খৃষ্ট রোজরস নত্তনা অতোপ্পা বেষ্ট মেন অমত্তনা রন য়াম্না লৌবা ঙমখিদে। রোজরসনা বোল ৮৯ দা বাউন্দরি ৯ য়াওরগা রন ৫২ লৌরগা ৱ্রোদকী বোলদা এল বি দব্লিয়ুদা আউট ওইখি। মহাক্কা পার্টনরসিপ ওইখিবা দেবিদ ৱানরস্না বোল ৬ তা রন ২ লৌরম্লগা জে এন্দরসনগী বোলদা এল বি দব্লিয়ুদা আউট ওইখি।

ষ্টেবন স্মিটনা বোল ১৮ দা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ৭ লৌরগা ফিন্নগী বোলদা কুক্না কেটচ তৌরগা আউট ওইখি।

কেপ্টেন মাইকেল কলার্কনা বোল ১০ দা বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ১০ লৌরগা ফিন্নগী বোলদা আউট ওইখি।

অদাম ভোগেসনা বোল ৩৪ দা বাউন্দরি ৩ য়াওরগা রন ১৬ লৌরগা এন্দরসনগী বোলদা জে বটলরনা কেটচ তৌরগা আউট ওইখি।

মিটচেল মার্সনা বোল ৩ দা রন অমত্তা লৌরমদনা এন্দরসনগী বোলদা জে বটলরনা কেটচ তৌরগা আউট ওইখি।

পিটর নেভিলসনা বোল ৮ দা রন ২ খক লৌরম্লগা এন্দরসনগী বোলদা আউট ওইখি। মিটচেল ষ্টারসনা বোল ২০ দা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ১১ লৌরগা ৱ্রোদকী বোলদা জে বটলরনা কেটচ তৌরগা আউট ওইখি। জোর্স হজলৱুদনা বোল ১৬ দা বাউন্দরি ৩ য়াওরগা রন ১৪ (নোট আউট)তা লৌখি অমদি নথন লাইয়োন্না বোল ১১দা বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ১১ লৌরগা এন্দরসনগী বোলদা আউট ওইখি। অপুন্বা রন ১৩৬ অদুগী মনুংদা এক্সত্রা ৮, লেগ বাই ৭ অমদি নোবোল ১ য়াওখি।

অহান্বা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৭ (ওভর ২.২), অনিশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১৮ (ওভর ৭.৬), অহুমশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৩৪ (ওভর ১১.২), মরিশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৭৭ (ওভর ২১), মঙাশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৮২ (ওভর ২২.৩), তরুকশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৮৬ (ওভর ২৪.৪), তরেৎশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৯৪(ওভর ২৭), নিপালশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১১০ (ওভর ৩১.২) অমদি মপলশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১১৯ (ওভর ৩৩.৩) দা লৌদুনা লৈখি।

ইংলেন্দগী বোল্লর জেমস এন্দরসন্না ওভর ১৪.৪ লংবদা মেদন ২ য়াওরগা রন ৪৭ পীরগা ৱিকেট ৬ লৌদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখ্রে।

স্তোৱার্ট ৱ্রোদনা ওভর ১২ লংবদা মেদন ২ য়াওরগা রন ৪৪ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি ষ্টেবন ফিন্ননা ওভর ১০ লংবদা মেদন য়াওরগা রন ৩৮ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখি।

ইংলেন্দনা অহান্বা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌবগী ওভর ৭.৩ দা ৱিকেট ১ আউট ওইরগা রন ১৯ লৌদুনা লৈখিবা অদুদা অদাম লীটনা বোল ৩০ দা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ১০ লৌরগা হজলৱুদকী বোলদা ভোগেসনা কেটচ তৌদুনা আউট ওইখি। এলিস্তর কুকনা বোল ১৫ দা রন ৯ লৌরগা মখাতানা বেট্টিং পাইখি।

মতম অদু ফাওবদা এক্সত্রা অমত্তা ফংবদি ঙমখিদে। অষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর জোস হজলৱুদনা ৱিকেট ১ লৌখি।

শ্রীলঙ্কা টুরগী শেম-শাবা ওইনা ইন্দিয়া-এ অমদি অষ্ট্রেলিয়া-এগী

অনিশুবা অনওফিসিয়েল টেষ্ট মেটচ হৌখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ২৯ ঃ চহি অসিগী অগষ্ট ১২দগী শ্রীলঙ্কাদা চত্নুনা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ অহুমগী সেরিজগী শেম-শাবা ওইনা ইন্দিয়াগী টিম-এনা অষ্ট্রেলিয়া-এগা এম এ চিদম্বরম ষ্টেদিয়ম চেন্নাইনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা অনিশুবা অমদি অরোইবা অনওফিসিয়েল টেষ্ট মেটচ ঙসিদগী শান্নবা হৌখ্রে।

মমাংগী চয়োলদা শান্নখিবা অহান্বা মেটচতা দ্রোওইখিবগী ইখৌলাংবা অদু কোক্লবগীদমক ইন্দিয়া টিম-এ না মায় পাক্লবগীদমক অহান্বা ইনিংস্কী বেট্টিং তৌবা লোইখিবগা লোয়নননা ওভর ৬৮.৫ তা ওল আউট ওইরগা রন ১৩৫ লৌখ্রে।

ইনিংস অদুদা অভিনাব মুকুন্দনা বোল ৪৯ দা বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ১৫, চিতেশ্বর পুজরানা বোল ৩৬ তা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ১১, বিরাক কোহল্লিনা বোল ৪২ দা বাউন্দরি অমদি সিক্স অমমম য়াওরগা রন ১৬, করুন নয়রনা বোল ১৫৩ দা বাউন্দরি ৫ য়াওরগা রন ৫০, শ্রীয়াস অয়রনা বোল ৩ দা রন ১, নামন ওঝানা বোল ৮৪ দা বাউন্দরি ১ য়াওরাগ রন ১০, বাবা অপারাজিৎনা বোল ২৪ দা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ১২, শ্রীয়াস গোপালনা বোল ১৬ তা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ৫ (নোট আউট)তা, ভারুন অরোন্না বোল ১ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। শারদুল ঠাকুরনা বোল ৮ দা বাউন্দরি ১ য়াওরগা রন ৪ লৌখি। অপুনবা রন ১৩৫গী মনুংদা এক্সত্রা ১১,ৱাইদ অমদি নোবোল ৪/৪,লেগ বাই ২ অমদি বাই ১ য়াওখি।

অষ্ট্রেলিয়া-এগী বোল্লর গুরিন্দর সন্ধুনা ওভর ১৫.৫ লংবদা ৱিকেট ৩, এন্দ্রিয়ু ফেকেটেনা ওভর ১৪ লংবদা ৱিকেট ২, ষ্টেফ ও কেফেনা ওভর ১৭ লংবদা ৱিকেট ২, এস্তনঅগরনা ওভর ১২ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি মারকস ষ্টোইনিসনা ওভর ১০ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

অহান্বা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১৮ (ওভর ১০.১) ,অনিশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৪৪(ওভর ১৭.৪), অহুমশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৫২ (ওভর ২৪.২), মরিশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ৫৩ (ওভর ২৫.১), মঙাশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১০৯ (ওভর ৫৮), তরুকশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১১৪ (ওভর ৬১.৫), তরেৎশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১২৫ (ওভর ৬৬.২), নিপালশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১২৫ (ওভর ৬৬.৩) অমদি মপলশুবা ৱিকেট আউট ওইবা মতমদা রন ১৩০ (ওভর ৬৮)তা লৈখি।

অষ্ট্রেলিয়ানা অহান্বা ইনিংস্কী বেট্টিং পায়বা হৌখিবগা লোয়নননা ওভর ১৩ দা ৱিকেট অমত্তা আউট ওইদনা রন ৪৩ লৌরগা অহান্বা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখি। ইনিংস অদুদা কেমেরোন বেনক্রোপ্টা বোল ৪৪ দা বাউন্দরি ৩ য়াওরগা রন ২৪ অমদি উস্মান খৱাজাননা বোল ৩৮ দা বাউন্দরি ২ য়াওরগা রন ১৩ লৌরগা নোট আউটতা লৈরি।

রন ৪৩গী মনুংদা এক্সত্রা ৬, নোবোল ৪, ৱাইদ অমদি বাই অমমম য়াওখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লর সরদুল ঠাকুরনা ওভর ৩ লংবদা রন ১১, ভারুন অরোনা ওভর ৫ লংবদা রন ১১, পরকয়ান ওঝানা ওভর ৪ লংবদা রন ১৭ অমদি বাবা অপারাজিৎনা ওভর ১ লংবদা রন ১ পীরগা ৱিকেট অমত্তা লৌখিদে।

অষ্ট্রেলিয়া-এগী বোল্লর অস্তন অগরনা ৱিকেট লৌবদা হরাওবা ফোংদোকখিবা

ন্যু দিল্লিনা দেবিস কপকী ইন্দিয়া অমসুং জেক রিপাব্লীককী প্লে ওফকী য়ুম্বু ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ ঃ ইন্দিয়ানা চৎলিবা থা অসিদা ন্যু জিলেন্দবু দেবিস কপ এসিয়া ওসিনিয়াগী টাইদা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্দ গ্রুপকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং চহি অসিগী সেপ্টেম্বর ১৮দগী ২০ ফাওবা শান্নগদবা জেক রিপাব্লীকপু য়ুম্বু ওইগদৌরিবা সহর অদু ন্যু দিল্লি ওইরগনি।

ওল ইন্দিয়ান টেন্নিস ফেদরেসননা ন্যু দিল্লি অমসুং পুনে সহরবু ওইবা য়াবা সহর হায়বগী ওইনা খনগৎখিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফোংদোরকখিবা অপান্বা সহর শিংগী মরক্তা ন্যু দিল্লিদা লৈবা আর কে খন্না টেন্নিস ষ্টেদিয়মনা হেনখিবদগী অফবা অদুদা শান্নরগনি।

নিংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী সিঙ্গলসকী নম্বর ১ শান্নরোই ওইরিবা সোমদেব দেববরমনা আর কে খন্না ষ্টেদিয়ম অসিদা শান্নখিবা সিঙ্গলস মেটচ অমা ফাওবা মায়থিরক্ত্রি।

এটলান্টা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী দোমদেব

ইন্দিয়াগী টিমদা সোমদেব, য়ুকি ভাম্ব্রি অমসুং রোহন বোপনানা দিল্লিগী ষ্টেদিয়ম অসিদা শান্ননিংবগী অপাম্বা ফোংদোরকপনি।

টেন্নিস ষ্টেদিয়ম খনবগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অনিল খন্না, এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভারত ওজা অমসুং বেঙ্গোল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট হিরোন মোই চেত্রজিসু য়াওখি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী দেবিস কপ টিমগী কোচ ওইরিবা জিসান অলিনসু ওল ইন্দিয়া টেন্নিস ফেদরেসননা অমদি শান্নরোইশিংগী মতকী মতুং ইন্না লেপ্পরকপদা ন্যু দিল্লিগী আর কে খন্না টেন্নিস ষ্টেদিমবু জেক রিপাব্লীকা শান্নগদবা দেবিস কপ ৱার্ল্দ গ্রুপ প্লে ওফ টাইগী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অসিদা অপেনবা ফোংদোকখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ইন্দিয়াগী সোমদেব দেববরমন য়ু এস এগী জোরজিয়া রাজ্যদা লৈবা এটলান্টিক ষ্টেসনদা পাংথোক্লিবা বি বি এন্দ টি এটলান্টা ওপন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী অনিশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী চহি ১৮দা ঙাইরিবা জরেদ দোনালসনগী মখুৎতা ১-৬, ৬-৩, ৪-৬তা মায়থিবা নংহৌখি।

লেসিংটন এ টি পি চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা দেবিস কপগী শান্নরোই ওইরিবা সাইকেট মাইনেনেনি অহানবা রাউন্দদা বৃটেনগী লিয়াম ৱ্রোদিগী মখুৎতা ২-৬, ১-৬তা মায়থিখি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রী ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মাটিজা ইকোটিককা শান্নবদা অহানবা সেট অদুদা গেম ৪-৪ মান্নরগা নোংনা মরক থৎখিবদগী ঙসি অথেংবদা শান্নবা লোইশিনগদৌরি।

থাং হাইবা,থাংলোন অমদি খোংলোন-খুৎলোন্দা গোল্ড ৯ লৌখি

ইম্ফাল জুলাই ২৯ ঃ শিব নিকেটন ধর্মাসলা, শুনম পঞ্জাবতা ঙরাং লোইশিনখিবা ৪শুবা থাং-তা ফেদরেসন কপ ২০১৫ গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুর টিমগী অপুন্বা গোল্ড মেডল ৭২ লৌখিবগী মনুংদা থাং হাইবা,থাংলোন অমদি খোংলোন খুৎলোন্দা গোল্ড মেডল ৯ য়াওখি।

সব-জুনিয়ার বোইজ থাং হাইবদা মণিপুরগী হুইদ্রোম রোসন্তা সিংহনা গোল্ড, সব-জুনিয়ার গার্লসকীদা টি ঐচ প্রিয়াংকা চনুনা গোল্ড, জুনিয়ার গার্লসকীদা টি ঐচ লক্ষমিনা গোল্ড, সেনিয়ার বোইজকীদা ওক্রম নেতাজিৎ সিংহনা গোল্ড, সেনিয়ার গার্লসকীদা কে অনুপামা চনুনা গোল্ড লৌখি। সব-জুনিয়ার বোইজকী থাংলোন অমদি খোংলোন-খুৎলোন্দা মণিপুরগী এল বোরিস শর্ম্মানা গোল্ড, ঐচ মঙাললৈবা মৈতৈনা সিলভর, সব-জুনিয়ার গার্লসকীদা হুইরেম বেবিকা চনুনা গোল্ড, জুনিয়ার বোইজকীদা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী সহিদ ফাইশালনা গোল্ড, সেনিয়ার বোইজকীদা মণিপুরগী য়ুম্নাম রুহিনিকুমার সিংহনা গোল্ড হরিয়ানাগী অকসে মুখেজানা সিলভর, সেনিয়ার গার্লসকীদা মণিপুরগী হুইদ্রোম রেবিতা দেবী অমদি অঙোম ইবেনু চনুনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখি।

বোইজকী বেষ্ট ফাইটরনা টামিলনাদুগী আর কিঠিভাসন্না অমদি গার্লসকী বেষ্ট ফাইটরনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অন্সা গুলজারনা তাখি।

বোইজগী বেষ্ট দিসিপ্লিন্না পঞ্জাবকী হারনুর সিংহনা তাখি।

4th THANG-TA FEDERATION CUP-2015
THANG-TA ASSOCIATION OF MANIPUR
MANIPUR
4th THAN

৪শুবা থাং-তা ফেদরেসন কপকী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুর টিম্না হরাওবা ফোংদোকখিবা

ফিফা প্রসিদেন্টকী ফমগীদমক প্লাটিনি কেন্দিদেট ওইগদৌরি

লন্দন, জুলাই ২৯ ঃ মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী হাংদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্টকী ফমগী মীখলদা য়ুএফাগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়রিবা ফ্রান্স মচা মমাংদা শান্নরোইসু ওইরম্লবা মাইকেল প্লাটিনি কেন্দিদেট ওইরগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি য়ুএফাগী ৱেব সাইদতা মাইকেল প্লাটিনিনা মশামক্তা ফোংদোকচখিবনি। মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ২৬তা স্বিদেনগী সহর জ্যুরিকতা পাংথোক্কদৌরিবা মীখলদা প্লাটিনিদা নত্তনা সাউথ কোরিয়াগী মমাংদা ফিফাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্লবা জুং মোং জুনসু মথং থাদা কেন্দিদেট ওইবগী ৱারোল ফোংদোক্লবা য়ারি।

নিংশিংবা য়াবদি, চহি অসিগী মে থাদা থাংখিবা ফিফাগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সেপ ৱ্লাটরনা মায়থিবা পীরম্বা জোর্দানগি প্রিন্স অলি বিন অল হুসেনসু মীখল অসিদা শরুক য়ারবা য়ারি।

চহি অসিগী মে থাদা পাংথোকখিবা মীখল অদুদা মায় পাকখিবা ১৯৯৮তগী ফিফাগী প্রসিদেন্টকী ফম অসি পায়দুনা ৫রক শুবা টর্ম ওইনা মায় পাকখিবনি। অদুবু ফিফাগী ওফিসিয়েল ৯ শেঞ্জা-থুমজাগী মরমদা চেন্নৈ হায়দুনা ফাখিবা অদুগী মতুংদা ফম থাদোকখিবনি।

মাইকেল প্লাটিনি

অতোপ্পা ফিফাগী মেম্বর নত্তবা প্রসিদেন্টগী ফম অসিগী মীখলদা কেন্দিদেট ওইরকপা য়াবশিং অদুদি লাইবেরিয়াগী ফুটবোল চিফ মুসা বিলিটি, ৱ্রাজিলগী জিকো অমসুং মমাংদা ফ্রান্সকী ফ্রান্সকী শান্নরোই ওইরম্বা দেবিদ জিনোলানি। প্রসিদেন্টকী ফম অসিগী নোমিনেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ চহি অসিগী ওক্টোবর ২৬নি।

ꯑꯣꯊꯣꯚꯤꯠ ꯀꯦꯞꯁꯨꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯥꯎ

ওথোবিত কেপ্সুল অমসুং থাউ

লম কয়াদা কান্নরবা, মতম শাংনা ঙাইনদুনা লৈরক্লবা, ফীবম শোক্লবা, য়াম্না লীরবা হকচাংদা চীকপা ফাওবা অর্থিতিস্ত, খু কাংনাবা, নিংজুদা নাবা, খ্বাং নাবা (লম্বর পেন, স্বেল্লিং পিল মসল, ব্রুস স্প্রেন্স অমসুং অতোপ্পা হকচাংদা নুংঙাইতবা ফাওবশিং)গীদমক থিজিনবদগী ফংলকপনি।

An Ayurvedic Proprietary Medicine
ORTHOVIT
PAIN KILLER & MOBILITY RESTORER CAPSULE
ওর্থোভিট
Dental Pain
Morning Stiffness/ Backache
Painful Pelvis
Otitis Pain
Finger Joint Pain
Musculoskeletal / Rheumatic Pain

ইফেক খক্ত নি
আর.ই.পি এলগী মগুণ লৈবা অয়ুর্বেদিক পোথোকশিং
সাইদ ইফেক লৈতে
মমীং লৈবা কেমিষ্ট পূম্নমক্তা ফংগনি

ADMISSION GUIDANCE 2015-16

ARTS & SCIENCE : UG/PG COURSES: B.Sc.(Computer Science, B.C.A.,Microbiology,Biotechnology,Biochemistry,Physics, Chemistry, Maths,(Nutrition and Dietetics) B.Com, B.Com(C.A), B.A.English, Bsc.Agri/Forestry, M.Sc.(Computer Science, Applied Microbiology,Biotechnology,Biochemistry, Bioinformatics, Physics,Chemistry,Botany,Zoology, Maths),M.Com, M.Com(C.A),M.A.English,B.Com.,Etc.

Worrying about career ???

MEDICAL/PARAMEDICAL: MBBS, B.Optometry,BDS,BPT, MPT,Ayurvedic, Nursing (GNM, B.Sc, M.Sc.), Pharmacy (Dip.,Degree,M.Pham),Doctor of Pharmacy,Perfussion Tech. MLT. Etc.

LAW: LLB(5 Years),B.A.LLB(5 Years),BBA + LLB(5yrs)

ENGINEERING: B.E/B.Tech. (Mech.Civil.CSE, CSE with cloud Computing,EEE,ECE, EIE,IT,Bio-Tech, Bio-Med,Bio-Info,Automobile,Robotics,Food Tech,Agri, Fashion tech.,Mechatronics,Med-Electronics, Aeronautics)M.E,(All Branches)B.Tech+M.Tech(5Years), B.Tech+MBA(5Years) Petroleum.,Etc.

MANAGEMENT: BBM/BBA (CA),MBA (All Branches), BCA,MCA,Aviation & Hospitality Management,BBA. (5Years) Hotel Management(Diploma,B.Sc. & M.Sc.) Etc.

" EDUCATION LOAN AVAILABLE "

Branch Office : Tombi Medical Store
C/o Mr.N.Tombi Singh
Sawombung Gate, Bazar Board
Mobile:-98626 69142.

MAIN OFFICE PLEASE CONTACT:
LRSINDIA™
Paona Bazar, Near UBI Bank
Imphal west, Manipur 795001
84159 27396 | 85750 90369 | 84159 27390
Email : info@lrsindia.in | Website : www.lrsindia.in

NB : LRSINDIA SCHOLARSHIP SCHEME AVAILABLE FOR STUDENTS WHO HAS SECURED MORE THAN 60% MARKS IN 10+2.

Licence No: MNP/CWM/D-70
VAT : 14710272187
CST : 14710273201

SS Enterprises

Deals : Electronic Weighing Scale, Defeathering Machine, Nilkamai Crates etc......

Phone : 9856977447, 9436611533
e-mail : sse_subhas@yahoo.com
Nagamapal Kangjabi Machin,
Imphal, Manipur-795004

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*